পীশাতাওগী থৌনি থৌরম উত্রা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : লাংবনগী নোংমা পানবদা পাঙথোকপা পীশাতাওগী ইরাৎ থৌনি থৌরম উত্রা শঙলেন, সনা কোনুংদা পাঙথোকখ্রে।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা অঙোম নিংথৌ অঙোম অমুবীনা লুচিংদুনা পীশাতাওগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকপা অসিদা উত্রা শঙলেনগী ফম্নাইবশিং অমাইবা-অমাইবী, পেনা অমদি সনা কোনুংগী পালা শৈশকপশিংসু শরুক য়াদুনা পাঙথোকখি।

লাইনিংথৌ পীশাতাও খুৎহৈবা অসিগী ইরাৎ থৌনি থৌরম অসি লাংবনগী নোংমা পানবদা পাঙথোকপা থৌরম ওইবনা ইরাৎচবগা লোয়ননা থৌনি থৌরম অসি পাঙথোকপনি। তাইবং পানবা অসিবু শেন্বী শাবীরিবা অসিবু অমুক হন্না মাঙহন-তাকহনবীদবা ওইহনবীনবা থৌনি থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কোভিদ-১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি)শিং ঙাক্লা থৌনি থৌরম অদু পাঙথোকখি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.847037
US Dollar	75.101699
British Pound	98.454490
Australian Dollar	53.698168
Chinese Yuan Renminbi	10.852219
Japanese Yen	0.709117
Malaysian Ringgit	17.998295
Singapore Dollar	54.826051
South Korean Won	0.063175
Saudi Arabian Riyal	20.027120
Thai Baht	2.389745
Myanmar Kyat	0.05503
Bangladesh Taka	0.88538

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	52276.00
Mumbai	–	Rs	52199.00
Delhi	–	Rs	52026.00
Kolkata	–	Rs	52600.00

GAS NEWS

JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto : 20/06/2020
TIME : 8:00AM TO 11:00 AM
CALL ONLY
A) 9436039984
NAORIYA PAKHANGLAKPA, KEISHAMTHONG, SAGOLBAND.
B) 6033989481
SINGJAMEI, YAISKUL, WANGKHEI, LANGTHABAL
C) 6033989482
THONGJU, KHURAI WANGOI, & OTHER
BOOKING AFTER DELIVERY 1 (ONE) DAY CALL ONLY
PLZ CONTACT SAME NO.
NO BOOKING DELIVERY DAY

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 25/06/2020
Only Home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
WhatsApp no. 8794973019
Time : 7.30am to 10.30am

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-28/07/2020
Valid from : 19/07/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call Timing : 8:00AM to 2:00PM

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
Booking upto : 08/07/2020
Valid from : 03/07/2020
STK. : 306
TIME : 7:00AM -10:00AM
HOME DELIVERY DATE 21/08/2020
CONTACT NO. : 7005695308, 6009772483

KHORIPHABA NAMBOL
Booking upto : 27/06/2020
(Sl. No. upto - 6500)
Home delivery only
Contact No. 9366471778/ 8837349474
For booking:8837427636

GBD INDANE SERVICE
Booking upto : 26/06/2020
Valid from : 20/06/2020
Stock : 216
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12:00 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

HRANGCHAL GAS AGENCY
Booking upto : 16/07/2020
Valid from : 14/07/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
(HOME DELIVERY ONLY)

লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা মীয়ামগী মচিন মেন্নবা হোৎনবীগনু : য়ু পি এফ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : লৈবাক্কী লুরবা তানফমদা মীয়ামগী মচিন মেন্নবা হোৎনবীগনু হায়না য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ)না থা ফোঙদোরক্লি।

য়ু পি এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম সুনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মালেমসিদা লান্দারকপদগী থা ৪ হেন্না চথুরকখিবা লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না চরা নোনখাংনবমখৈ হিংনবা হোৎনরিঙৈ মতম অসিদা ইন্দিয়া গবর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এম অনীগী মরক্তা চথুদুনা লাক্লিবা পিছ টোক্ক লোইশিন্নবা হোৎনরক্তুনা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা মণিপুরগী অখণ্ড-অহৈশিং মপুং ওইনা কোলেজগী ওজাশিংনা লৈঙাক্কী থৌরাং থৌশিল অমত্তগী মায়োক্তা মীদিয়াগী খুথাংদা গবর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা ইবা য়ারোই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা মেমোরেন্দম অমা হৌখিবা ওগষ্ট ১০ দা থোক্তুনা অথিংবা থমখিবা হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী মচিন মেনশিনবনি। দিমোক্রেসিবু খোঙ্গোয়নবনি।

হৌজিক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন-আই এম অনীগী মরক্তা চথুরিবা পিছ টোক্ক লোইশিন্নবা হোৎনবদা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী নাগাশিংবু নাগালেন্দগী নাগাশিংগা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা পুনশিনবা য়ানবা পান নাগা হোহো শেম্নবা অমসুং নাগা ওটোনোমস কাউন্সীল/রিজন লিংদুনা কাঙলুপ কয়ানা পুন্না খুন্দা লৈতাদুনা চহী লিশিং ২ হেন্না মশাগী শক্তম ঙাক্লা লাক্লিবা মল্টি ইথনিক অমসুং প্লুরেল্লিষ্টিক সোসাইটি ওইরিবা মণিপুর অসিবু কাঙলুপতা য়ুন্সফম ওইদুনা থুগায়নবা চথরল্লিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী থৌরাং থৌশিল অসিদা মণিপুরগী অখণ্ড-অহে কয়ানা তান্ন-তীক্লদুনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাকচনবা অমদি তুংগী লাইবক লেপচনবা মীপুম খূদিংমক্কী খঙজ-হৈজবা পুন্নমক পুথোক্লদুনা খন্নগদবা মীকুপনি।

অদুবু লাইবক থীবদি অসিগুম্লবা লুরবা তাঞ্জা অসিদা মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী ক্রাইসিস, পোলিটিকেল ক্রাইসিস, দ্রগ স্লমগ্লিং ক্রাইসিসগী মথক্তা মণিপুরবু কাঙলুপতা য়ুন্সফম ওইদুনা থুগায়নবা লৌখৎলক্লিবা পান নাগা হোহো অমদি নাগা ওটোনোমস কাউন্সীল লীংদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সী এন-আই এমগী পিছ টোক্ক লোইশিনবা য়াননবা মণিপুরগী লৈবাক মীয়াম্বু মচিন মেন্নবগী শরুক অমা ওইনা কোলেজ ওজাশিংবুসু মচিন মেনবনি। মৈবু ফিনা কুপ্পা য়াদবগুম লৈবাক মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা অমদি মীওইবগী রাইটকীদমক মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কঞ্জদুনা কাঙলুপ কয়া পুন্না খুন্দামিন্নরক্লিবা লীক্লম অসিবু ঙাকচনবগীদমক মীয়ামগী পাঙ্গল, খোল্লাউ কৈদৌনুংদসু নমশিন্দুনা থন্বা ওইথোক্লোই হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর অমসুং মপানগী মফম কয়াদা মণিপুরী লোন নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা মণিপুরী লোনবু চনখিবা নুমীৎপু নীংশিংদুনা মণিপুর অমসুং মপানগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মণিপুরী লোনগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম মণিপুর, গুৱাহাতি, অসাম অমসুং ত্রিপুরানা শীল্লগা ওনলাইনগী খুথাংদা মণিপুরী লোনগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমনা হায়খি, মণিপুরী লোনগী নুমীৎ থৌরম অসি চহীগী খূদিংগী ফোরম অসিনা পাঙথোক্তুনা লাকই। চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা লোকদাউন লৈখিবনা ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকচরে। লোনগী নুমীৎ অসিদা চহী খূদিংগী পীদুনা লাকপা পাচা মীতৈ লিটরেরি এৱার্দ আর খথিং তাংখুল লিটরেরি এৱার্দ অমসুং ডা. সরোজ নলিনি অরাম্বম পারট লিটরেরি এৱার্দ২০২০ চহী অসিগী ওইনদি লোকদাউন কোমথোরকপগা ফোরম অসিনা অইবা, অইবী অহুমদা খুৎশিন্নরগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

জুনিয়র সোসল সাইন্টিষ্ট হব ককচিংনা শীন্দুনা ঙসি ককচিং চুম্নাংদা লৈবা মোর্দন প্রোগ্রেসিভ একাদেমীদা মণিপুরী লোনগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা বিরমঙ্গোল পুখ্রম্বমনা ইবা খুন্থক-খুনখা মিংথোনবা চেজাই শৈরেং অমসু থৌরম মপু ওইখিবা মোর্দন প্রোগ্রেসিভ একাদেমীগী প্রিন্সিপাল নিংথৌজম লাতানা ফোঙদোকখি।

দিরেক্টোরেট ওফ লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনসু মণিপুরী লোননা ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী ২৮শুবা এনিভর্সরি থৌরম দিরেক্টোরেট অসিগী কনফরেন্স রুমদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লেংগ্বেজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসনগী দিরেক্টর ললিথম্বীগাইনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কা মরম ওইরগা থৌরম অসি ইচম চম্না পাঙথোকখি।

মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম, ত্রিপুরানসু শীন্দুনা অগরতালাগী নলগারিয়ানসু মণিপুরী লোন নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে। শক্লাইরবা অইবা এল প্রফুল্লা বিজয়না অথোইবা মীথুং, ফোরমগী ভাইস প্রসিদেন্ট খোংবান্তাবম গৌরকিশোরনা থৌরম মপু অমসুং এন ধিরেন্দ্রনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরমগী সেক্রেটরি খোইস্নাম মঙ্গলনা হায়খি, ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসন্না শকখঙলবা, সাহিত্য একাদেমীনা শকখঙলবা মণিপুরী লোন অসি অসাম অমসুং ত্রিপুরা লৈঙাক্লা মীরায়বীরে। মশক খঙবীদ্রে। হীরমসিদা মণিপুর লৈঙাক্লসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসতগী তোকখিবশিং মীচেন ঙাক্তনি : ওকেন্দ্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : কোংগ্রেসতগী তোকখিবশিং মীচেন ঙাক্তনি হায়না এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

কোংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উনবদা এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, কোংগ্রেস পার্টিদগী তোল্লগা বি জে পিদা য়াওরে হায়না ঙরাং লেংয়ান হুক্লিবশিং অদুগী মনুংদা খরদি হান্ননা বি জে পিদা য়াওরবনি। মখোয়বু নৌনা অমুক লেংয়ান হুক্লি। কোভিদ-১৯গী অরুবা ফীভম মরকসিদা চার্টর ফ্লাইট নেক্তুনা দিল্লি চৎলি। মণিপুর গ্রীন জোনদা লৈরম্বদগী হৌজিক্তি রেদ জোনগী ফীভম য়ৌশিল্লক্লে। কোভিদনা শিবা মশিং ১৮ শুজিল্লক্লে। পোজিটিভ ওইবা মশিংসু লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। নোংমদা মীওই ১০০ হেন্না পোজিটিভ ওইবা কয়া অমসু লৈরে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেসতগী তোকখিবা এক্স-এম এল এ ৫ ঙরাং বি জে পিদা য়াওখিবনি।

'অসামদা তারিবা মণিপুরীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ শৌগৎলি'

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : অসামদা তারিবা মণিপুরীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দ শৌগৎলি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সী পি আইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফুরুপ খূদিংমক্কী নাৎ-কলচর লোয়ননা ইন্দিজিনস পিপলশিংনা ঙাংনরিবা লোলশিংবু চাউখৎনবা অমসুং লৈবাক্কী চৎন-পথাপ কনষ্টিট্যুসন্না শকখঙহন্নবা খোঙজং কয়া চথুদুনা লাক্লি। মণিপুর লোলবু মণিপুর ষ্টেট খক্তদা নত্তনা অৱাং নোংপোক্কী রিজনল লোল অমা ওইনা লৈরকপা অমসুং তোঙান তোঙানবা লোল ঙাংবা ফুরুপ কয়াগীসু ফাওনলোল ওইনা লৈরকই হায়বসি লমদমসিগী পুৱারীনা তাক্লি। সী পি আইগী এম পি দশরত দেবনা লোলসিবু ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবীয়ু হায়বা ৱাফম অসি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা ইহান হান্না কুমজা ১৯৫৩ দা পুখৎখি।

মণিপুরদগী সী পি আইগী এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপখক নত্তনা অতৈ ষ্টেট কয়াদা কাখিবা সী পি আইগী এম পিশিংনসু পুখৎতুনা লাকখি। পার্লিয়ামেন্টকী মপান্দসু পার্টি অসিগী মাস ফ্রন্ট কয়াগা লোয়ননা মখল কয়াগী মীয়ামগী ঈহৌ চথখি। মমৈদা মখল কয়াগী সিভিল ওর্গনাইজেসন কয়াগী ঈহৌ লোয়নরকপা অমসুং ইন্দিয়াগী লৈঙাকপশিংনা লুম্না লৌরকপদগী লোল অসি কনষ্টিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা ঙমদুনা মালেমদা মশক তাকপদা অচৌবা ফীদা অমা কনবা ঙমখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌজিক লুরিবদি সেদ্যুলদা চনবতা নত্তনা ইন্দিয়াগী য়ুনিভর্সিটি কয়াদা তম্নখিবগা লোয়ননা য়ু পি এস সীগী এগজামদা সবজেক্ট হাপখ্রবা লোলসিবু অসাম লৈঙাক্লা নমথদুনা থম্বগী মওং অমা হন্দক চথুরকপা অসি চুমদে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা লৌই। মরম অদুনা অসাম লৈঙাক্লা খুদক্তা মণিপুরী লোলবু এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইনা শকখঙগদবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনসু অসাম লৈঙাক্তা চেরোল থাদুনা তকশিনগদবনি। অসামদা তারিবা মণিপুরীশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজংদা শৌগৎনবা থবকসু পায়খৎলগনি।

মণিপুরী লোলবু অসামদা এসোসিএট ষ্টেট লেংগ্বেজ অমা ওইনা শকখঙনবা দিমান্দ অসি সী পি আইনা কন্না পুখৎতুনা পার্টি অসিনা অসাম লৈঙাক্তা তকশিনবতা নত্তনা মথক থোংবা খূদিংমক্তসু মীৎয়েং চঙবীনবা হায়রগনি। কম্যুনিষ্ট পার্টিনা মণিপুরদা শাফোঙলকপা ৭২শুবা কুমওন থৌরম ষ্টেট শীনবা থুংনা পাঙথোকপগা ঈরোয়ননা ৱাফম অসিগীদমক করি খোঙজং তৌবা য়াবগে হায়বগী পোরম য়াৎলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২০ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা এসিমটোমেটিক মীওইশিংবু হোম আইসোলেসন তৌজবা য়াবগী ৱাফম থল্লকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, অৱাং খুনৌনা ইপা শঙলেন্দা এস ও পি ঙাক্লা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

হীরমসিগা মরী লৈননা কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স, অৱাং খুনৌগী কনভিনর কে ঐচ চন্দ্রমনিনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, পেন্দেমিক ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি ষ্টেট অসিদসু লেপ্তুনা শন্দোরকপগা লোয়ননা অৱাং খুনৌ ভিলেজ অসিদসু মীওই ২৩ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগা লোয়ননা মখা তানা চিংনবা মীওই কয়া অমসু টেষ্ট তৌবগী থবক চথুরিবনি। চৈরক অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং হোম আইসোলেসন তৌবা য়াবগী চেরোল থোক্লকপসিনা খুঙ্গং অসিগী মীয়াম্বু কা হেন্না অৱাবা পোকহল্লে। খুঙ্গং অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা শু নোম্লগা চাবা ঙাক্তনি। য়ুম অয়াম্বদা তোখায়বা বার্থ রুম, টৌইলেট অমদি কিটচননচিংবা মপুং ফানা লৈতবনা পোজিটিভ ওইবা মীওইশিং হোম আইসোলেসন তৌবদা য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লগনি। কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদা ফংলিবা ফেসিলিটিশিং অদু য়ুম-য়ুমদা ফংবগী খুদোংচাবা লৈরোই। মরম অদুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং কোভিদ ক্যের সেন্টরদা থম্বীনবা আপিল তৌজরি।

করিগুম্বা ওর্দর অদুগী মতুংইন্না এসিমটোমেটিক ওইবা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিংবু য়ুমদা হোম আইসোলেসন তৌহল্লকপা তারবদি অতোপ্পা মীওইদা লাইচৎ অসি শন্দোরক্লোই হায়বা লৈতবনা খুঙ্গং অসিগী মীওই খূদিংদা লায়না-লাইচৎ অসি নারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। খুদোংচাদবশিং অসি লৈবনা খুঙ্গং অসিদা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা হাংদোকপীয়ু। লোয়ননা লৈঙাক্কী ওর্দর অদু হন্দোকপীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা মীদিয়াপর্সন...

লামায় ১গী মখা... শুখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩৬৩৯ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২৮৬ য়াওরি। হৌজিক ফাওবদা দিসচার্জ তৌখিবা কেস মশীংনা ৩০০২ শুখ্রে। দিসচার্জ তৌখ্রবশিং অসিদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৫৯২ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৪০১নি। রিকভরি রেটনা চাদা ৬০.৯৫ ওইরি। অদুগা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ এক্টিভ ওইরিবা অপূনবা কেস মশীংনা ১৯০৫নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ১০৩০ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৮৭৫নি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না পীবা মেন্দেট থওইদনা চোংখিবা...

লামায় ১গী মখা... গান্ধীনা চোংথোক চোংশিনগী মওং অসি য়ারমদে। চোংথোক চোংশিন য়াদনবগীদমক রজিব গান্ধীগী মতমদা ১০ শুবা সেদ্যুল পুথোক্লবা থৌদাং লৌরম্মী। লুচিংবা অসিনা লৌরম্বা থৌদাং নীংশিংবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর রজিব গান্ধী ভিজন লৈবা লুচিংবা অমনি। মহাক য়াম্না নহা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইখি। পুন্সিসু তেনখি। মহাক্লা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়াসু তৌরমখি। ভোট থাদবগী চহী ২১ ওইরম্বদগী চহী ১৮দা হন্থহনখি। তুংগীদমক শীংথানিংঙাই ওইবা থবক কয়া তৌরম্বা লুচিংবনি। মহাক্লা মতম শাংনা লৈরম্লবদি সুপর পাৱর কন্ট্রি ওইরমগনি। পোলিটিকেলগী ওইবা হীরম কয়াদসু থবক তৌরম্মী। লমদমসিদা ঙসি থেংনরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভম অসিদি মওং কয়া অমনি। রজিব গান্ধীগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা খন্ন-নৈনবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্কনি হায়নসু মখা তাখি। থৌরমদুদা সী দব্লিয়ু সী মেম্বর গাইখাঙম অমদি কোংগ্রেস পার্টিগী মরুওইবা থৌপুবা কয়াসু শরুক য়াখি।

এম এল এ লোকেশ্বরগী মথক্তা ফাইল...

*লামায় ১গী মখা...*মরী লৈননা মসিগী মায়োক্তা টি ঐচ লোকেশ্বরনা হায়কোর্টতা মিসেলিনস কেস (ইলেক্সন পিটিসন) নম্বর ১৩ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌরকখি। অদুগা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিসন অসি লৌখৎতুনা খন্নবগী মরম চাদে হায়দুনা ককথৎপীয়ু হায়জরকখি।

কেস অসিগী চপ চাবা ৱায়েল চথনবগীদমক হায়কোর্টনা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ২২দা তোঙান তোঙানবা ইস্যু তরেৎ ফ্রেম তৌখি। ইস্যুশিং অদুগী মনুংদা এম য়ুদগী হিষ্টোরিদা এম এ পাস তৌখি হায়রিবা 'থোকচোম লোকেশ্বর' অসি 'ওইনাম লোকেশ্বর' গা মী অমখক্তমক ওইব্রা হায়বনচিংবা য়াওরি। অদুবু চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারী ২৩দা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস এমভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা পাঙথোকখিবা মিসেলিনস কেস অসিগী হিয়ারিংগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থা ৭ লোম শুজিল্লক্লগা ঙসি লাউথোকখ্রে।

বেঞ্চ অসিগী ঙসিগী জজমেন্টতা টি ঐচ লোকেশ্বরগী মিসেলিনস কেস অসি কোর্টনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা টি ঐচ মোহেন্দ্রোনা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন নম্বর ৩ ওফ ২০১৭ অসি দিসমিস তৌরে হায়খি।

কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা টি ঐচ লোকেশ্বরগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল নামোইজম ইবোতোম্বীনা লেপ্লগা মহাকপু কাউন্সেল এ রোম্মেল অমসুং কাউন্সেল ঐচ প্রবির কুমারনা এসিষ্ট তৌখি। টি ঐচ মোহেন্দ্রোগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এন মহেন্দ্রনা লেপখি।

কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিং হেল্থ চেক-অপ ...

লামায় ১গী মখা... অমদি মেন্টেল হেল্থ সর্ভিসকী খুদোংচাবা পীবিনবা শীনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মৈত্রমদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা সেন্টর অসিদা লৈবা-চাবগীদি থোইনা প্রোব্লেম লৈতে। অদুবু কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি ওইরগা শুপ্নগী লোক খুরগা লোক খুবগী, কোক ঙাওবা-চিকপা ওইরগনা মদুগী হীদাক খক পীরি। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু হেল্থ চেকঅপ তৌবিবা হায়বদুদি ওইদ্রে। মরম অদুনা তঙাইফদনা হেল্থ চেকঅপ অমদি মেন্টেল হেল্থ সর্ভিসকী খুদোংচাবা মরী লৈনবশিংনা ফংহনবিয়ু। সেন্টর অসিদা লৈরিবা অসিদি শুপ্নগী লায়না অসি মীওই অদুনা লৈরিবা লৈকায় অদুগী অতোপ্পা মীওইশিংদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা হায়দুনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু সেন্টর অমদা পুন্না থমজিনবিবা হায়বদুনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদুবু তোঙান্না ট্রিটমেন্ট পীবিবা হায়বদুদি ওইদে। অসিগুম্না সেন্টর অসিদা ৱানা লৈগদৌবা ওইরবদি য়ূমদা অদুমক হোম আইসোলেসন ওইনা তৌরগা লৈরম্বনা ফগনি হায়না খল্লকপা মীকুপ কয়াসু য়াওখি। মরমদি সেন্টর অসিদা পীরিবা ফেসিলিটি অসিদি য়ূমদনা হেন্না ফজনা মপুং ফানা ফংবা হায়বদু ওইগনি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংনা হান্না খঞ্জরম্বদি কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈরবদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী তোঙানবা অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংগনি। অদুবু সেন্টর অসিদদি শুপ্নগী মশা মথন্তা ফগৎলকপা ঙাইবা হায়বদু তারে। নূমীৎ ১৪গী মতুংদা অমুক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌরগা লোয়রে। টেষ্ট তৌবা অদুদা নেগেটিভ ওইরগা ময়ূমদা হলহনখিবা অমদি পোজিটিভ ওইরম্লগনা মখা তানা সেন্টর অদুদা লৈহনবা খক হায়বদু ওইরে। তোঙান্না কোভিদ-১৯গী ট্রিটমেন্ট তৌবিবা হায়বদুদি ওইদ্রে। মরম অদুনা মরী লৈনবশিংনা তঙাইফদনা হেল্থ চেকঅপ অমদি মেন্টেল হেল্থ সর্ভিসকী খুদোংচাবা ফংহন্নবা শীনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

হাইলাকান্দিদা লোনগী নুমিৎ থৌরম পাঙথোখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ২০ (ঐচএন এস) : আসাম মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ হাইলাকান্দি জিলা কম্মিটিনা শীন্দুনা ২৯শুবা লোনগী নুমিৎ লৈহৌপোকপি ময়াই লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোল পাঙথোকখ্রে।

থৌরমসিগা মরী লৈননা কবি সম্মেলন অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা চহী অসিগী ঐচ এস এল সী অমদি ঐচ এস ঈ এগজামদা মার্কৱাংনা মায় পাক্লকখ্রবা মহৈরোয় খরা অমসুং নৌনা পি ঐচ দি ফংলবা স্কোলার অমদা সাইটেসন য়াওনা খুদোলপোৎশিং তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমদুদা লাইশ্রম খোগেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট, এম পি কৃপানাথ মালানা চীফ গেষ্ট অমসুং এ নন্দবাবুনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোয় ওইখিবশিংনা মণিপুরী লোনবু চাউখৎহন্ননবা হোৎনবদা মথৌ তাবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি। লোয়ননা এম পি কৃপানাথ মালাগী খুথাংদা অসাম লৈঙাক্কী থ্রি লেংগ্বেয়েজ ফোর্মুলাগী মরমদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি হায়রি।

জিরিবামনা ক্লিন...

লামায় ১গী মখা... কেন্টনমেন্টনা মকোক মথং তারে। অপূনবা সিটি ১০০ হেন্না লৈবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা বেষ্ট পর্ফোর্মিং ষ্টেট মহারাষ্ট্রনা ওইরে। সিটি ১০০ য়ৌদবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি মধ্য প্রদেশনা মকোক ওইরে।

লৈবাক অপূনবগী ওইনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটিশিংগী মীং লাউথোকখিবদা ইন্দোরনা থংন-থংননা মরিরক খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটিগী মীংথোন ফংবা ঙমখি। য়ুনিয়ন হাওজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরস মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা খ্বাইদগী লূ-নানবা সিটি অমসুং ষ্টেটশিংগী মীং লাউথোকখিবনি।

স্বাছ সুর্বেক্সন ২০২০গী মনুংচন্না সিটি ৪,২৪২; কেন্টনমেন্ট বোর্দ ৬২ অমসুং গঙ্গা টাউন ৯২গী লূ-নানবা ফীভম নুমিৎ ২৮নি চূপ্না য়েংলগা মকোক মথং লাউথোরকখি।

অর্বান লোকল বোদি ১০০ য়ৌনা লৈতবা ষ্টেটশিংগী ওইনা মকোক মথং লাউথোকখিবদা মথংশিংনা ঝরখণ্ড, হরিয়ানা, উত্তরখণ্ড, সিক্কিম, অসাম, হিমাচল প্রদেশ, গোৱা, টেলঙ্গনা, নাগালেন্দ, মণিপুর অমসুং অরুনাচল প্রদেশনা মকোক মথং ওইরে। অর্বান লোকল বোদি ১০০ হেন্না লৈবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি ছটিশগর, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, গুজরাট, ওরিষা, রাজস্থান অমসুং টামিল নাদুনা মকোক মথং তারে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হাওজিং এন্দ অর্বান এফ্যেরসনা লাউথোকখি।

লম্বী ফাওনদ্রে..

লামায় ১গী মখা... য়ৌরমদায়দা খঙহৌদনা চীং নীংখায়রিবা মফম অদুদা তেংনৌপল পুলিস অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং লাক্লগা স্কাভেটরনা লৈখোম-লৈনাঙশিং অদু লৌথোক্লবা মতুংদা নুংথিলগী পুং ২ রোম তাবদা লম্বী থিংলম্বা অদু গাড়ী চৎথোক-চৎশিন অমুক তৌবা হৌখি।

অমরোমদা নেসনল হায়ৱে নম্বর-২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীগী কোহিমা টাউন মনাক্তা ঙসি অয়ূক খঙহৌদনা চীং নীংখায়রকপদগী হৌজিক ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী ফাওনখিদ্রে। দিমাপুর অমদি গুৱাহাটিদগী ইম্ফাল তম্না পোৎচৈ পুদুনা লাকপা গাড়ী কয়া হৌজিক লমখাংদা পন্দুনা লৈরি। মতম অদুদা মণিপুরগী এল পি জি গ্যাস পুবা গাড়ী ২২৭, ওইল টেঙ্কর ১৮৭ অমদি এফ সী আইগী চেঙ পুবা গাড়ী কয়া য়াওনা পন্দুনা লৈরি। নোংমা-নীনি ফাওবদি লম্বী শেম্বা অদু মতম চঙখিগনি হায়না পাউ অমনা হায়রি।

অমিট শাহ উনগদৌরি...

লামায় ১গী মখা... তৌরকপগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা লৈখায় তারবা মতুংদা ইম্ফালদা হল্লক্লবা শেম শারি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রো. এম টিকেন্দ্র অমদি ষ্টেটসিগী ৱাক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ হৌজিক দিল্লিদা লৈদুনা বি জে পিগী লুচিংবা কয়া উনদুনা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা পোলিটিকেলগী ওইবা হীরম কয়াদা ৱারী শান্নরি।

মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী লুচিংলিবা বি জে পিগী এম এল এ কয়ানা মিনিষ্টর রিসফল তৌরকপা মতমদা কোংগ্রেসতগী চঙলকপশিংদা মিনিষ্টর পীবা য়ারোই হায়বা অকনবা দিমান্দ অমসু লৈরি। কোংগ্রেসতগী থোক্লকখিবা এক্স এম এল এ মঙা ঙরাং বি জে পিদা য়াওখ্রে। দিল্লিদা হৌজিক লৈরিবা টিম অসি ইম্ফালদা হেক থোক্লকপগা এক্স এম এল এ অব্দুল নসির বি জে পিগা চৎমিন্নবা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওরবা য়াই হায়রি।

ম্যান্মারদা থোং ৬৯ শাবগা মরী লৈনবা রিট আপিল...

লামায় ১গী মখা... (দি পি এ - থ্রী) অমসুং ইরকোন ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ সর্ভিস লিমিটেদকী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর (সী ঈ ও) অমসুং মসিগী জোইন্ট জেনরেল মেনেজরনি।

রিট আপিল অসিগী আপিল্লেন্টনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা ম্যান্মারদা থোং ৬৯ শাবা অমসুং মসিগী এপ্রোচ রোদশিং শেম্বগী 'দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট' (দি পি আর) অসি টেক্লিকেল্লি দিফেক্টিভ ওই অমসুং থোং ৬৯ গী মনুংদা অমা ফাওবা শাবগী থবক লোইশিনবা ঙম্লোই হায়বসিনি।

অদুম ওইনমক ঙসি চীফ জষ্টিস য়াওবা দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা রিট আপিল অসিগী লামায় ৮৯ পানবা ওর্দরস আপিল অসি দিসমিস তৌরে হায়খিবগা লোলয়ননা থোং ৬৯ শাবা অমসুং এপ্রোচ রোদশিং শেম্বগী মতাংদা হান্ননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অদুগী মতাংদা সিঙ্গল বেঞ্চনা পীখিবা ওর্দর অদু অপহোল্ড তৌরে হায়খি।

পনবা য়াবদি, মণিপুরগী ৱর্ক এজেন্সি অনীসিনা থবকশিং অসিগী পাঙথোকখিবা টেন্দরদা মায় পাক্তুনা এম ঈ এনা খুৎশিন্নরকপদগী থবক শুবা হৌগৎখিবনি। অদুবু থবকশিং অসিগী প্রোগ্রেসতা থিন্থমল্লি হায়বগী চার্জদা এজেন্সি অনীসিদগী থবকশিং অসি লৌথোক্লগা অতোপ্পা এজেন্সিদা পীননবা হোৎনরকখিবনি।

মসিগী মায়োক্তা রিট আপিল অসিগী আপিল্লেন্টনা পিটিস্নর ওইদুনা হায়কোর্টকী সিঙ্গল বেঞ্চতা সিভিল রিট পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুবু পিটিসন অদু কোর্টনা জুরিদিক্সন অমসুং অর্বিত্রেরি ওই হায়বা মরমশিং পীরদুনা ককথৎখিবনি। মসিদগী রিট আপিল অসি দিভিজন বেঞ্চতা অমুক ফাইল তৌরকপনি।

দিভিজন বেঞ্চনা দব্লিয়ু এ অসি খন্নরিঙৈদা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া অমসুং ইরকোন ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ সর্ভিস লিমিটেদকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (এস এল পি) অমসুং ট্রান্সফর পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখিবনি। পিটিসন অনীগী জজমেন্টতা এপেক্স কোর্ট অসিনা হায়কোর্টতা লৈরিবা রিট আপিল অসি চয়োল অনীগী মনুংদা দিস্পোজ তৌননবা খঙহল্লকখিবনি।

এম য়ুদা মণিপুরী লোলগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ...

লামায় ১গী মখা... সেদ্যুলদা চনখিবগী পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইরবা ৱাফমশিং অমসুং কুমজা ২০১০ দা য়ুনেস্কোনা ভলনরেবল ওইরে হায়না চেকশিন ৱামাং য়ানবীখ্রবা ইমালোল মণিপুরীগীদমক ঐখোয়না শীনপাংগদবা মাঙদা তারিবা শিন্থাশিং মরিক চুম্না থম্বীখি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা মহৈরোয়শিং, স্কোলারশিং অমদি ওজা পুন্নমক্লা কুপ্পা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা থবক ওইনা পাঙথোকপীননবা ৱাফম কয়া তকশিনবা হায়নসু য়ানখি।

ৱাফমশিং অদুদি, কুমজা ১৯৭৯ ওফিসল লেংগ্বেজ এক্তা ইরিবা 'মণিপুরী রিটন ইন বেঙ্গোলি' হায়বসি অথুবদা 'রিটন ইন মীতৈ ময়েক' হায়না লৈঙাক্লা কেবীনেট ফমদুনা ৱারেপ লৌনবা অমদি তুংদা চয়েৎনবা লাক্তবা এসেমব্লীদা পুথোক্তুনা পাস তৌগদবনি অমসুং মণিপুর ষ্টেট গেজেটতা ফোঙগদবনি। অসাম, মেঘালয়া, ত্রিপুরা, বাংলাদেশ, ম্যান্মারনচিংবদা লৈরিবা মণিপুরী অমসুং মীতৈলোল ঙাংবা মীওইশিংগী য়াইফনবা মণিপুরী লোলগী য়াওলগা থোং মান্ননা চৎমিন্নবা ঙমজনবা অথুবদা মণিপুরী অমসুং মীতৈ ময়েক শন্দোক্লবা ময়েক শেংবা থৌশিল পায়খৎকদবনি। অসামনচিংবা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈরিবা ইরৈচাশিংনা মণিপুরদা গ্রেজ্যুএসন অমসুং পোষ্ট গ্রেজ্যুএসন্নচিংবা মহৈ তম্বা লাকপদা মখোয়গী ফীদা পীদুনা চহী ৫দি বেঙ্গোলি ময়েক্লা ইবা লাইরিক তম্বগী অয়াবা য়ুনিভর্সিটি, কোলেজ অমসুং মরী লৈনবা লোয়শঙ পুম্বনা লাউথোকপীগদবনি। তাম্না লৈখ্রবা মণিপুরীশিংনা ইমালোল মণিপুরীবু এম এ, পি ঐচ দি ফাওবা তমহনবীরগা কাংখাথাং তাহন্দুনা ইন্থোকপীরকপা অসাম লৈঙাক্কী থৌশিল মণিপুর মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা য়েংদুনা লৈফম থোক্তে। মতম চানা মতিক চাবা খোঙথাং লৌখৎতুনা মণিপুর লৈঙাক্লা অসাম লৈঙাক্তা মণিপুরী লোলবু এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইনা কোনশিনবীননবা তকশিনবীদুনা মপী-মপা ওইবগী মথৌ উৎপীগদবনি। মুসুনসু কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা লৌখৎলকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা পাংবা য়াবা মতেং পাংবা হায়না য়ানখি।

মণিপুর লৈঙাক্কী লেংগ্বেজ দিরেক্টোরেটনা মণিপুরী লোল মশক থোক্লা চাউখৎননবা রিফোর্ম তৌগদবনি। অহেনবা ফন্দিং থাদদুনা মপাঙ্গল হেন্না হাপ্পীরগা লোল অমসুং মসিগা মরী লৈনবা ৱাৎলিবা লাইরিক কয়া মেনশিনবীননবা ট্রান্সলিটরেসনগী মশক থোকপা বজেট হাপ্তুনা বেঙ্গোলিদা ফংবা মণিপুরী লাইরিকশিং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙননবা ট্রান্সলেসন এন্দ ট্রান্সলিটরেসন দিপার্টমেন্ট লিংবীগদবনি। পুয়াশিং নৈনদুনা পারী-পুরীগী চৎন-কাঙলোন, থৌগল্লোন, লৈপাক ৱায়েল, য়ুম্বাল্লোন, শিনাইরোল, ৱাঙুরোননচিংবা ইপা-ইপুগী লীক্লম খঙদুনা চাউখৎপা লমদম ওইনবা হোৎনবদা মঙম শান্নবগীদমক পুয়া নৈন-লোয়শঙ (রিপোর্জিটরি) ইনষ্টিট্যুসন অমা লিংবীগদবনি। ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্দুনা লোয়শঙগী অমসুং লৈঙাক্কী শীজিন্নবা য়ারবা লোল অসিদা লোয়শঙ পুম্নমক্কী চেরোল খূদিংমক মণিপুরী লোলদা হন্দোকপীদুনা মীয়াম নৎত্রগা মীওই অদুদা য়ৌহনবীগদবনি। মণিপুরী লোলবু ক্লাসিকেল লেংগ্বেজগী থাক্তা মশক খঙবীনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা তকশিনবীদুনা ইমালোলবু হেন্না মশক মঙাল থোকহনবীনবা থৌরাং পায়খৎপা হৌবীরম্বসি অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীনবা হোৎনবীগদবনি। শেলগী ময়েক্তা মীতৈ ময়েক লাচনহনবগী থৌদাং লৌবীদুনা মণিপুরী লোলনা ঈকায় ফিরুক খুম্বদগী কোকহন্ননবা হোৎনবীগদবনি। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী ২০২০ অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবা লোলশিংগীদমক্তা খুদোংচাবা খরা পীবগী ৱাফম থেংনৈ। এদ্যুকেসন পোলিসী অসি প্রমোসন ওফ ইন্দিয়ন লেংগ্বেজেস, আর্ট এন্দ কলচর হায়বা কলমদুগী মখাদা ক্লোজ ২২.১৩দা অসুম্না ইরি- ৮শুবা সেদ্যুল লোল খূদিংমক একাদেমী অমমম লিংখৎপা, হায়রিবা একাদেমী অদুদা য়াম্না খঙ-হৈরবা স্কোলারশিংগা লোলদুবু মমালোল ওইনা ঙাংবা অখণ্ড-অহৈশিংগা চুংশিন্নরগা চপ চাবা হৌজিক ঙাংনরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, লোন্দা-পুদাগী ওইবা অপটুদেট ওইনা দেক্সনারি নৎত্রগা ইনসাইক্লোপিদিয়া অমা লৈঙাক্কী শেন্থং মখাদা পুথোক্কদবনি হায়বা ৱাফমশিংসু অমত্তা ওইনা য়ানখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।